**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্ট অসি খ্বাইদগী ফবা মখলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবা এয়ারপোর্ট অমা ওইহন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখ্রে।

২) অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেলনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম অমদি সেক্যুরিতিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

৩) মণিপুরদা হয়েং ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা শজিবু চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

৪) মণিপুর বিধান সভাগী হান্নগী অধ্যক্ষ ডাঃ মনিরুদ্দিন শৈখনা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ য়াওন লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী নুপীগী শক্তি অসি মখোয়গী শু-নোম্বা কনবা থৌনা অমসুং থাজবনা অনৌবা পনখৈ অমা য়ৌরে।

------

সিএম (এল)ঃ ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা নৌনা শেমগৎ শাগৎলিবশিং ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা চীফ সেক্রেতরি, এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি, কম্মিসনার হোম, দাইরেক্তর এয়ারপোর্ট অমসুং দাইরেক্তর ত্রান্সপোর্ট য়াওখি। খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা এয়ার কার্গো টরমিনেল ফেসিলিতিসু য়েংশিনখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা এয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (এ.এ.আই)গী সিভিল ইঞ্জিনিয়ারগী মেনেজর দেবীপ্রসাদ জি.এমনা এয়ারপোর্ট অসিদা শেমগৎলিবা অনৌবা টরমিনেলগী ফিভম কদাই য়ৌনা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রিদা পাউদমখি।

এয়ারপোর্ট ওথোরিতিগী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-নৌনা শেমগৎলিবা এয়ারপোর্টকী টরমিনেল অসি মতম চানা লোইশিন্নবা হোৎনবদা সরকারনা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি। হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরম অদু খুমাং চাওশিনবা উবদা অপেনবা ফোংদোক্লদুনা থবকশিং মতম চানা লোইশিনবনা পেসেঞ্জরশিংদা খুদোংচাবা পীবা হেনগৎহল্লগনি। মহাকা হায়-অশোইবা অৱাৎপা লৈরিবশিং অথুবা মতমদা শেমজিন্দুনা ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্ট অসি মপুং ফানা চলাইহনবা হায়বসি সরকার অসিগী মপুং ওইবা পান্দমনি। সরকার অসিনা মীয়ামদা খ্বাইদগী ফবা মখলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈবা এয়ারপোর্ট অমা ওইহন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। শ্রী খেমচান্দনা হায়-

য়েংশিন খোঙচৎ অসিগী মাংওইননা মুখ্য মন্ত্রিনা ইম্ফালগী পাউনা কৈথেল অমসুং অকোইবদা শেমগৎলিবা লম্বী-থোংগী ফিভমসু য়েংশিল্লমখি। মদুনা শ্রী খেমচান্দনা পি.দব্লিউ.দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ারদা লম্বী-থোংশিং অসি মগুন লৈবা অমদি মতম চানা শেন্বা লোইশিন্নবা খঙহনখি।

খেমচান্দ (এল)ঃ অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেল, লেফটনেন্ট জেনেরেল বিকাশ লখেরানা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। মুখ্য

মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখিবা অদুদা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্ষাগী ফিভম অমদি সেক্যুরিতিগী ফিভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সরকার অমসুং সেক্যুরিতি এজেন্সিশিংগা পুন্না হোৎনবদগী রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা জাতি কাংলুপশিং অমত্তা ওইনা অশোই অঙাম য়াওদনা শান্তি ওইনা পুন্না লৈমিন্নবা হায়বসি সরকার অসিনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎকদবা থবকি। নাগরিকশিং অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি মাঙদা থম্লগা থবক থৌরমশিং পায়খৎতুনা সেক্যুরিতিগী ফ্রেমৱার্কশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়- লমদম অসিগী নাগরিকশিং অশোই অঙাম য়াওহন্দনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

কার্ফিয়ু(এল)ঃ রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিংদা নুমিদাংগী মতমদা হৌজিক মখা তানা করফিউ থম্লি। অদুমওইনমক জিলাশিং অসিদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি হায়না মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোল অমমম থোকখ্রে।

সিপিআই (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীগী থা অসিগী ৬ অমসুং ৭ কী লোন্নবা অহিংদা অঙাং অনি অঙাং অনি শিখিবা অমদি মমাবুনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবশিং ফাদুনা শিবগী চৈরাক পীনবা সি.পি.আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা দাবী তৌরি। চেরোল অমদা লুপ অসিনা হায়- থৌদোক অদুগী মখা তারকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীচম অহুম লৈখিদবা অদু য়ামা থম্মোয় শোকিঙাইনি। থৌদোকশিং অসিগী মতুং তারকপদা ইরাং লাকশিন্নবা নমাদা ইন্তেরনেট থিংজিনবা অমসুং করফিউ থমজিনবা অসি খুদক্তা হন্দোকবা দাবী তৌরি।

লোক ভবন (এল)ঃ অখিল ভারতিয়া পুর্বা সৈনিক সেবা পরিষদকী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইম্ফালগী লোক ভবনদা উন্নখ্রে। ইং কুমজা ১৯৪৪ গী এপ্রিল ১৪ দা কর্নেল সৌকত মালিকনা লুচিংবা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মিনা মচু অহুমগী ফিরাল মণিপুরগী মোইরাংদা য়ুংখিবা নুমিৎ অদুগী মাংওইননা সেবা পরিষদকী মীহুৎ কাংবুনা রাজ্যপালগা উন্নখিবনি।

চৈরাউবা (এল)ঃ মণিপুরদা হয়েং ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়ান্নগা লোয়ননা শজিবু চৈরাউবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। শজিবু চৈরাউবনা লাকপদা রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি অমদি লুচিংবা কয়ানা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

পাউজেল অমদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- শজিবু চৈরাউবা অসিনা অনৌবা চহি হৌবগী নুংঙাই য়াইফবা অমসুং আশা কয়ানা পীক থলহল্লি। কুম্দো অসি ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিতেজগী তুনা চৎপদা নত্তনা ইমুং মনুং পুনবা, ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজবা অসিনা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নবগী লিপুন অদু উৎলি। কুম্দো অসিনা হেন্না য়াইফবা তুংলমচৎ অমা ওইনবগী খুদোংচাবা পীরি। শজিবু চৈরাউবনা লাকপদা শান্তি, চাওখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা, অমত্তা ওইবা ওইবা সমাজ অমা ওইরসনু হায়রি।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- শজিবু চৈরাউবনা লাকপদা য়াইফবা, হরাউ তয়ান্বা অমদি অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্না মাঙজিল অনৌবা মণিপুর অমা পুরকপা ওইরসনু। রাজ্য অসিদা অনৌবা আশা কয়াগা লোয়ননা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকবগী লম্বী অমা নুমিৎ অসিনা লাকপদা পীনবীবা ওইরসনু।

পাউজেল অমদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়- অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা চহিবু তরামা ওক্কুনা নুংঙাই য়াইফবা, অমত্তা ওইবা অমসুং শান্তিগী লম্বীরোমদা পুন্না চংশিনমিন্নরশি। মতাংনা মতমনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরবসু মণিপুরী অমা ওইবগী ৱাখল্লোন্না অমত্তা

ওইবগী লীপুন্না পুনশিনহল্লি। শজিবু চৈরাউবনা লাকপদা ঐখোয়গী হেরিতেজশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বগা লোয়ননা খুদোংথিবা মায়োকবগী থৌনা পীবা ওইরসনু।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবী সিংহনা হায়- অরিবা কুমনা লোইদুনা অনৌবা চহি হৌবা শজিবু চৈরাউবনা লাকপদা মীয়ামা অনৌবা চহি অসিবু হরাউ তয়ামা ওক্তুনা ঈশ্বরগী মফমদা ইং তপ্পা, ৱাৎত-পাদবা, হেন্না নুংশিনবা চাওখৎপা লমদম অমা ওইনবা থৌনিজরশি। মহাকা হায়- অনৌবা চহি অসিনা অমত্তা ওইবা ৱাখলদা কাংলুপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা ইচিল ইনাউ ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনহল্লশি।

মনিরুদিন (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী হান্নগী অধ্যক্ষ ডাঃ মনিরুদ্দিন শৈখ লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮২ শুখ্রে। মহাকা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লিলোং বিধান সভা কেন্দ্রদগী মীখলদা মায় পাক্তুনা কারকখিবা ডাঃ মনিরুদ্দিননা লৈখিদবা অসি মীয়ামগী পুন্সিদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা চাউনা অহোবা অমা লৈহৌরগনি। মহাকা মীয়ামগী য়াইফনবা অমসুং চাওখৎনবা তৌরম্বশিং মতম চুপ্পদা নীংশিদুনা লৈহৌরগনি। মহাকা লৈখিদবা অসি রাজ্য অসিগী ওইনা চাউনা মাংজবনি। ডাঃ মনিরুদ্দিননা লৈখিদবদা মহাক্কী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি।

গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনসু ডাঃ মনিরুদ্দিন্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লদুনা হায়- মীয়ামগীদমক্তা কৎথোক্লবা মশাগী অচেৎপা ফিরেপ লৈজবা লুচিংবা অসি মীপুম খুদিংমকা মতম চুপ্পদা নীংশিদুনা লৈরগনি। মহাক্কী আত্মানা শান্তি ওইনা লৈনবা মপু মাগী মফমদা থৌনিজরি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না অৱাবা ফোংদোকপগী ৱারোল অমদা হায়- ডাঃ মনিরুদি শৈখনা হিংলিঙৈ মতমদা অচেৎপা থাজবা অমসুং মশাগী চপ চাবা ফিরেপ অমগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক কয়ামরুম পাঙথোক্লক্মি।

মীয়ামগী অমসুং মহাক্কী কেন্দ্রগী চাওখৎনবা ডাঃ মনিরুদিন্না চোকথবা লৈতনা হোৎনরম্বা অদু নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাদা অহানবা তাঙ্কক্কী নেসনেল দিৱার্মিং ডে ২০২৬ ঙসি কাংপোকপী হাইস্কুলদা হৌদোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি কাংপোকপীনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী নোদেল ওফিসার ফোর চাইল্ড হেলথ- ডাঃ লিংদৈ থাঙিয়ো, এ.দি.এম- লমমিনলাল অমদি চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ পাউকাই কিপগেন শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা অঙাংশিংদা তিল লৈতনবা হিদাক মতম চানা পীজহৌবগী মরুওইবা কয়াগী মতাংদা ফোংদোকখি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল লাইভষ্টোক মিসন (এন.এল.এম)গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিস চান্দেলনা শিন্দুনা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা হমেং মতৌ করমা লোইগনি হায়বা মতাংদা নুমিৎ হুমি চথুগদবা ত্রেনিং ঙসি চান্দেল জিলাগী উনোপাৎ খুলদা হৌদোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ভেটেরিনারি ওফিসার চান্দেলগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা লৌমী অমদি নহা কয়ানা শরুক য়াখি। ত্রেনিং হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দি.ভি.ও চান্দেল ডাঃ রুৱাংদর সামেরি অনাল অমদি ভেটেরিনারি ওফিসার ডাঃ এম. সুমিতানা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

নোনে (এল)ঃ মিসন ফোর ইন্তিগ্রেতেদ দিভলপমেন্ট ওফ হোর্তিকলচর (এম.আই.দি.ঐচ) ২০২৫-২৬ কী মখাদা নোংমগী ত্রেনিং অমদি কালেন থাদা থাগদবা হাইব্রিদ মহৈ মরোংশিংগী মরু য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ফোরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন ওফিস নোনে অমসুং তমেংলোংনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা নোনে জিলাগী খনগৎলবা লৌমীশিংদা মরু মরাং অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়েন্থোকখি।

লৌমীশিং মরু মরাং য়েন্থোক্লদুনা নোনে জিলাগী হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দিষ্ট্রিক্ট ওফিসার ডাঃ রোসন দাংমৈনা হায়- লৌমীশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎনবা অমদি মহৈ মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙমবগী পান্দমদা ঙসিগী অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লৌমীশিংনসু বিভাগ অসিগা খুৎশমনা চৎমিন্নদুনা চীঞ্জাক্তা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওইহল্লশি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতকী নুপীগী শক্তি অসি মখোয়গী শু-নোম্বা কনবা থৌনা অমসুং থাজবনা অনৌবা পনখৈ অমা য়ৌরে। মীপুম খুদিংমক্তা অহেনবা খুদোংচাবা পীদুনা নুপীশিংদা শক্তি পীনবা পুন্না হোৎনমিন্নরশি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা তকশিনখি।

ঙসি নিউ দিল্লিদা নারি শক্তি বন্ধন সমেলনদা ৱা ঙাংবদাপ্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারতনা ২১ শুবা চহি চাগী খ্বাইদগী চাউবা ৱারেপ অমা লৌগদৌরি অমসুং ৱারেপ অসি নুপীদা শক্তি পীবদা কৎথোক্লবা ৱারেপ ওইগনি। মহাকা হায়- হৌখ্রবা অমসুং লাক্কদৌরিবা মীরোলগী অনিংবা অপাম্বশিং ফংহনগদবা অনৌবা ইতিহাস অমা সংসদনা শেমগদৌরি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- রাজ্যগী বিধান সভাশিংদগী হৌরগা লৈবাক অসিগী সংসদ ফাওবনা চহি লিশাং শিৎনা ঙাইরকপা অদু থা অসিগী ১৬, ১৭ অমসুং ১৮ দদি লোইরগনি। শ্রী মোদিনা হায়- ইং কুমজা ২০২৩ দা নৌনা শাখিবা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিংদা সরকারনা মতম চানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমবা নারি শক্তি বন্ধন অভিনিয়মগী মওংদা অহানবা খোঙথাং লৌখৎখি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রি অনাপুরনা দেবী অমসুং দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি রেখা গুপ্তসু ৱা ঙাংখি।

হ্বিপ ঃকংগ্রেস, জনতা দল (য়ুনাইতেদ) অমসুং লোক জনাশক্তি পার্তি (রাম বিলাস)না মখোয়গী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. পুমমক থা অসিগী ১৬ তগী ১৮ ফাওবা সভাদা লেংদনা লৈনবা হ্বিপ জারিখ্রে। দলশিং অসিনা মখোয়গী এম.পি পুমমক্তা লাক্কদৌরিবা সংসদকী মীফম অসিদা সভাদা লেংদনা

লৈনবা অমসুং দলগী ফিরেপ শৌগৎনবা খঙহন্নখি।

মদুগী মমাংদা, বি.জে.পিনসু লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা লৈবা মখোয়গী এম.পিশিং সভাদা লৈনবা হান্ননা হুইপ জারিখ্রবনি।

নুপীদা শক্তি পীবগী মতাংদা মীৎয়েং থম্বা সংসদকী অখন্নবা মীফম অমা থা অসিগী ১৬ তগী পাঙথোক্লগনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- হৌখিবা চহি খরা অসিদা ভারতনা শান্ন-খোৎনবগী লমদা মফম অমা কনবা ঙমলে অমসুং হৌখিবা চহি ১০ অসিদা শান্নবগী লমদা অনৌবা যুগ অমা হৌরে। ঙাকশেল মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক লখনৌদা সংসদ খেল মহাকুম্ভ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংখি।

শান্ন-খোৎনবগী শক্তমদা অওনবা পুরকবা হোৎনবদা কেন্দ্র সরকারনা লৌখৎলিবা থবকশিং পল্লদুনা ঙাকশেল মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা শান্ন-খোৎনবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা লুপা কোতি লিশিং ৫ রোম চাদিং তৌখ্রে। হৌজিক্তি মী ময়াম অমা শান্ন-খোৎনবনা মশাগী কেরিয়র ওইনবা চংশিল্লক্লে।

নুমিৎ হুমি চত্থগদবা সংসদ সংসদ খেল মহাকুম্ভ অসি লখনৌ কে.দি. সিংহ বাবু ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লি। মসিদা এথলেটিক্স, ফুটবোল, ভোল্লিবোল, কবাদি, টাইকুন্দো, বাস্কেটবোল, হোক্কি অমসুং বোক্সিং তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি।

ডে ঃ সিয়াচেন নুমিৎতা ঙসি ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স অমসুং ভারত লান্মীনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা লানফম লদাখকী সিয়াচেন ঙাক শেনদুনা থম্বদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। ওপরেসন মেঘদুত অসি ইং কুমজা ১৯৮৪ গী ঙসিগী নুমিৎসিদা হৌদোকখিবনি। মদুদা ভারত লান্মী অমসুং ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা অৱাং থংবা লদাখকী অৱাংবা লমদম অসিবু অশোই অঙাম থোকহন্দনবা সিয়াচেন গ্লেসিয়ারদা চংশিনখি।

ইরান ঃ মুম্বাইদা লৈবা ইরানগী কন্সুল জেনেরেল সয়িদ রেজা মোসায়েক মোতলাগনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়াদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা ভারত, চাইনা অমসুং রসিয়াগুম্বা মালেমগী শক্তিশিংনা শান্তি থমবা কন্না হোৎনরি। ভারতনা লান্মী শিজিন্নবগী মহুৎতা দিপ্লোমেসিরোমদা অচেৎপা ফিরেপ থম্বগীদমক মহাকা অখন্ননা ভারতপু থাগৎখি।

মিদিয়া এজেন্সি অমদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- লৈবাকশিং অসিনা হন্দক চখ্থরক্লিবা আমেরিকাগী থৌওং অসিবু শৌগৎতে অমসুং লান্মী থাজিনবগী মহুৎতা ওইরিবা ফিভম অমসুং মালেমগী কৈথেল তংদু লৈতাহন্নবা হোৎনরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা মঙাসুবা এম.এন.সি.এ বোইজ অন্দর ফোরতিন ৱান ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী অনৌবা ফিকচর অমা থোকখ্রে। লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী মখাদা চখ্থবা অহুমসুবা এম.এন.সি.এ অন্দর ফিফতি গার্লস ৱান ডে ট্রোফিগীসু নৌনা ফিকচর অমা থোকখ্রে। নৌনা থোকখিবা ফিকচরশিংগী মতুংইন্না তুরনামেন্টশিং অসিগী মেটচশিং থা অসিগী ১৫ দগী মখা চখ্থরগনি হায়রি।

রগবি ঃ ইন্দিয়ান রগবি ফুটবোল য়ুনিয়নগী লমজিং মখাদা বিহার ষ্টেট স্পোর্টস ওথোরিতি (বি.এস.এস.এ) রগবি ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ বিহার (আর.এফ.এ.বি)গী মীৎয়েং মখাদা বিহারগী রাজগির স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৬ তগী পাঙথোক্কদবা নুপীগী সেনিয়র নেসনেল রবি চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। মণিপুরগী টিম অসিদা ঐচ. বোচানা মেনেজর অমদি এন.এল. সিবানি অনালনা টিম কোচ ওইনা শরুক য়ারি। মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরিবা শান্নরোইশিংনা মায় পাকপা

প্র্‌কপা ওইরসনু হায়না এমেচর রকবি এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

ওকপা ঃ হন্দক মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা পাঙথোকখিবা ৭ লক শুবা অন্দর সভেন্তিন বোইজ এন্দ গার্লস নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপকী নুপামচাগী কিলোগ্রাম ৬০ গী কাংলুপ্তা চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা করুং অলবার্টসন কোমবু মহাক্কী পোকফম ককচিং মন্তক্কী মীয়ামা হরাউ তয়ামা ওকখ্রে। মহাকা ঙসি ইম্ফালগী এয়ারপোর্টতা থুংলখিবদা মন্তক খুলগী য়ুনাইতেদ ব্রদরস স্পোর্টিং এসোসিয়েসন অমদি মীয়ামা তরামা ওকখি। তুংদা ককচিং কৈথেলদসু ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অমদি মীয়ামা তরামা ওক্তুনা পুকিং থৌগৎখি।

------